

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদতা শরুক য়াদুনা ক্লব অদুগী মরুওইবা থৌদাং কয়া লৌবা ঙমখিবদগী য়ুইএফএ প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবা ক্রোয়েসিয়া মচা লুকা মোদ্রিক*

*১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিগী ইভেন্ট অমা ওইরিবা সেল্লিংগী ৪৯ ই আর এফ এক্স ব্যুমেন ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবী ইন্দিয়াগী ভর্সা গৌথম অমসুং স্বেতা সেরভেগর*

## জপানগী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিম সিলভর ফংহৌরে, সেলিংদসু সিলভর ১অমসুং ব্রোঞ্জ ২ লৌখ্রে



*নুপীগী হোক্কিদা সিলভর মেডল ফংহৌরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকখিবা*

*পালেমবাং। জাকার্টা, ওগষ্ট ৩১ঃ*

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পালেবাং অমসুং জাকর্টাদা চথরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসকী ১৩নিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিম ফাইনেলদা জপানগী মখূত্তা ১–২ দা মায়থিহৌবদগী সিলভর মেডল ফংহৌরে। সেলিংগী তোঙান–তোঙানবা ইভেন্টশিংদা সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ লৌবা ঙমখ্রে।

জাকর্টাদা লৈবা জিবিকে হোক্কি ফিল্ডদা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী হোক্কি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়া জপানগী মখূত্তা ১–২ দা মায়থিহৌবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী ১১শুবা মিনটতা জপানগী মিনামী সিমিজুনা পেনাল্টি কোর্নর অমা গোল ওন্থোকপা ঙম্বদগী মেটচ অদু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মেটচ অদুগী অহানবা গোল নেহা গোয়লনা শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা চন্দুনা পাঞ্জল ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি। নেহা গোয়লনা জপানগী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু ইন্দিয়া টিমগী নভনিক কোরনা পীরকপা রির্ভস হিট পাস অমদা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবনি।

অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং জপানগী স্কিপ্পর মোটোমী কৱামুরানা শান্নবগী ৪৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইন্দিয়াবু ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর অমগা লোয়ননা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরবসু মায় পাক্তবদগী ফাইনেল মেটচ অদু জপানগী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী সিলভর মেডল ফংহৌবনি।

জাকর্টাদা লৈবা ইন্দোনেসিয়া নেসনেল সেলিং সেন্টরদা ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী সেলিং ৪৯ই আর এফ এক্স ব্যুমেন্স ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ভর্সা গৌথম অমসুং স্বেটা সরভেগরনা সিলভর মেডল লৌবা ঙমখ্রে।

সেলিংগী অতোপ্পা ইভেন্ট ওইরিবা সেলিং ওপন লেজর ৪.৭দা ইন্দিয়াগী হর্সিতা টোমারনা ব্রোঞ্জ মেডল অমা লৌবা ঙমখি।

নুপীগী সেলিং ৪৯ইআর ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ভরুন থাক্কর অশোক অমসুং চেঙাপ্পা গানাপথি কেলাপন দানা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

স্কৱাসঃ–

ইন্দিয়াগী নুপাগী স্কৱাস টিম ঙসি পাঙথোকখিবা সেমি ফাইনেলদা হোং কোংগী মখূত্তা ০–২ দা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌরে। নুপাগী স্কৱাস টিম অদু সৌরভ ঘোসাল, হরিন্দর পাল সিংহ সন্ধু, রমিত তন্দন অমসুং মহেস মাঙগাওকরনা শেম্বনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী নুপী স্কৱাস টিম্না মালেসিয়াবু ২–০ দা মায়থিবা পীরমদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবী জোনসনা চিনাপ্পানা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৮লক ওইখ্রবী মালেসিয়াগী নিকোল দেভিদপু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌহনবদা অচৌবা মতেং ওইখি।

বোক্সিংঃ–

ইন্দিয়াগী অমিত পাংঘাল কেজি ৪৯গী কাঙলুপকী বোক্সিংদা ফিলিপিন্সকী কার্লো পালমবু ঙসি পাঙথোকখিবা সেমি ফাইনেল বাওটতা মায়থিবা পীরমদুনা ফাইনেলগীদমক শেম শাখ্রে।

অমিত পংঘালনা ইন্দিয়াগী মেডল টেলিদা গোল্ড নৎত্রগা সিলভর মেডল অমদি শোয়দনা হাপচিল্লগনি। পনবা য়াই হরিয়ানা মচা অমিত পংঘালনা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা কেটেগোরি অসিদা সিলভর মেডল ফংবদা নৎতনা বলগেরিয়াদা পাঙথোকখিবা ষ্ট্রান্দজা মেমোরিয়েল টুর্নামেন্টতা গোল্ড ফংবা ঙমখিবনি।

নুপাগী কেজি ৭৫ কাঙলুপকী বোক্সর ইন্দিয়াগী বিকাস কৃষন প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা মমীৎ শোকপনা মরম ওইদুনা সেমি ফাইনেল বাওট থিন্নবা ঙমদবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি।

ভোল্লিবোলঃ–

ইন্দিয়াগী নুপী ভোল্লিবোল টিম চাইনিজ তাইপৈগী মখূত্তা ২১–২৫, ১৬–২৫, ১৫–২৫ তা মায়থিহৌবদগী পুল 'বি' দা মেটচ অমত্তা কাবা ঙমদবদগী টেবল অসিগী অরোইবা মফমদা লৈখি।

জুদোঃ–

ইন্দিয়াগী জুদোকা অভটার সিংহ অমদি রজৱিন্দর কোর হৌজিক ইন্দোনেসিয়াদা চথরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিদগী লৈহৌরে।

ইন্দিয়াগী নুপা জুদোকা অভটার সিংহ নুপাগী কেজি ১০০ মখাগী ইলিমিনেসন রাউন্দ ওফ সিক্সটিনগী শান্নবদা য়ুনাইটেদ আরবস ইমিরেটসকী ইভান রিমারেনকোগী মখূত্তা ১–১০ দা মায়থিহৌবনি।

ইন্দিয়াগী নুপী জুদোকা রজৱিন্দর কোরনা নুপীগী কেজি ৭৮ মথক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী অকিরা সোনিগী মখূত্তা ১–১০ দা মায়থিহৌবদগী গেমস অসিদা মেডল ফংবা ঙমদনা লোইশিনখি।

এসিয়ান গেমস অসিগী ১৩শুবা নুমিৎকী লোইশিনখিবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১৩, সিলভর ২৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ২৯ ফংদুনা অপুনবা মেডল ৬৫ লৌদুনা ৮শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে, চাইনানা অপুনবা মেডল ২৬৩ দা অহানবা মফম কন্দুনা লৈরি।

টেবল টেন্নিসঃ–

ইন্দিয়াগী নুপা অমদি নুপী সিঙ্গলস টেবল টেন্নিস শান্নরোইশিং সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদবদগী গেমস অসিদগী লৈহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সরাথ কমাল চাইনাগী চি–য়ুৱান চুৱাংগী মখূত্তা ৭–১১, ১১–৯, ১০–১২, ১৬–১৪, ৯–১১ দা মায়থিহৌখি।

নুপাগী অতোপ্পা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী জি সাথিয়ান জপানগী কেন্টা মাটসুদাইরাগী মখুত্তা ১১–৯, ৪–১১, ৯–১১, ৬–১১, ১০–১২ তা মায়থিহৌখি।

ইন্দিয়াগী নুপী পেদ্দলর মনিকা বত্র চাইনাগী ৱাং মানয়ুগী মখূত্তা ২–১১, ৮–১১, ৮–১১, ১১–৬, ৪–১১ দা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মায়থিহৌখি।

### Asian Games 2018: Medals Tally

| Rank | Nation | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | China | 118 | 85 | 60 | 263 |
| 2 | Japan | 69 | 50 | 70 | 189 |
| 3 | Republic of Korea | 43 | 54 | 63 | 160 |
| 4 | Indonesia | 30 | 23 | 40 | 93 |
| 5 | Iran | 19 | 19 | 20 | 58 |
| 6 | Chinese Taipei | 16 | 17 | 27 | 60 |
| 7 | Uzbekistan | 15 | 19 | 23 | 57 |
| 8 | India | 13 | 23 | 29 | 65 |
| 9 | Kazakhstan | 12 | 11 | 41 | 64 |
| 10 | DPR Korea | 12 | 9 | 13 | 34 |
| 11 | Bahrain | 12 | 7 | 7 | 26 |
| 12 | Thailand | 10 | 14 | 45 | 69 |
| 13 | Hong Kong | 6 | 17 | 17 | 40 |
| 14 | Malaysia | 6 | 12 | 15 | 33 |
| 15 | Qatar | 6 | 4 | 3 | 13 |
| 16 | Vietnam | 4 | 15 | 18 | 37 |
| 17 | Mongolia | 4 | 8 | 10 | 22 |
| 18 | Singapore | 4 | 4 | 12 | 20 |
| 19 | Philippines | 4 | 1 | 15 | 20 |
| 20 | UAE | 3 | 6 | 4 | 13 |
| 21 | Kuwait | 3 | 1 | 2 | 6 |
| 22 | Kyrgyzstan | 2 | 6 | 12 | 20 |
| 23 | Jordan | 2 | 1 | 9 | 12 |

## 'এসিয়ান গেমস ১সুং ওলিম্পিক গেমসতা ভারত'

**এল. কালা, উরিপোক**

এসিয়ান লৈবাকশিংগী ওইবা খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী অথোই–অহেন তান্নফম ওইরিবা এসিয়ান গেমস অসি অহানবা ওইনা ৪।৩।১৯৫১ দগী ১১।৩। ১৯৫১ ফাওবা ভারতকী কোনুং দিল্লিদা এসিয়ান লৈবাক ১১ না শরুক য়াদুনা ইভেন্ট ৫৭ দা শান্নরোই ৪৮৯ না শরুক য়াদুনা অথোই–অহেন তান্নখি। য়ুম্বু ওইদুনা অহানবা পাঙথোকপদা ভারতনা সনাগী মেডল ১৫, লুপাগী ১৬, শেঞ্জেংগী ২০ পুন্না মেডল ৫১ ফংদুনা অনীশুবা তাবা ঙমখিবদা জাপাননা সনাগী ২৪, লুপাগী ২১, শেঞ্জেংগী ১৫ পুন্না ৬০ ফংদুনা অহানবা পোজিসন তাখি। অহানবা এসিয়ান গেমস অসিনা ইন্দিয়ানা শান্নখোৎনবগী লমদা মীমাং থোক্না শান্নবা খ্বাইদগী চাউনা শরুক য়াবা অহানবা ওইখি হায়বা তারে । এসিয়ান গেমস য়ুম্বু ওইদুনা হৌদোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা হৌখি হায়বদনি তশেংবদি মসিমক্না পাক চাউখ্রবা লম, মীশিং য়ামখ্রবা ভারতকি মীপুম খুদিংমকপুদি শান্নখোৎনবগী ইহৌ শাগৎহনখিবদি ঙমখিবা ওইদে। নিংখা তম্বা ফংলবা ভারত হান্নদগী হৌনা শান্নখোৎনবদা মীথোই মীহেনবা ঙম্বা মচা য়াম্না পোকপা লমদম অমদি ওইরকখিদে অদুবু ভারতনা মপা লৈতনা খ্বাইদগী হৈনজবা মশান্না অমদি নুপাগী হোক্কি মশান্নসিমদি পৃথিবীগী লৈবাক অমত্তনা লম্বা পাবীনবা লৈরমদে। ভারত ওলেম্পিক গেমসতা হোক্কি নত্তনা অতোপ্পা মশান্না অমত্তদা সনাগী মেদল ফংলক্তে। অদুবু য়াম্না থেংলবা মতুং ২০০৮ বৈজিং ওলিম্পিক গেমসতা এভিনাব বিন্দ্রানা মিটর ১০গী এয়র রাইফল সুট্টিংদা সনাগী মেদল লৌবা ঙমখিবসিনা ভারতকি ইন্দিভিজুয়েল ওইনা গোল্ড মেদল ফংবা অহানবা শান্নরোই ওইখি অমদি ওইরি। এসিয়ান গেমস অমসুং ওলিম্পিক গেমসতা লম্বা লৈরমদবা ভারত হোক্কি মশান্না ১৯৮০, রুসিয়া ওলিম্পিক গেমসতা স্পেনবু ফাইনেলদা ৪–৩দা থোইদুনা ভারতনা ওলিম্পিক্সতা সনাগী মেদল পুরকপা অরোইবা ওইখ্রে, মসিগী মতুংদগীদি ভারত হোক্কি মশান্নগী থাক অসি তপ্না–তপ্না খঙহৌদনা হম্বরক্তুনা হোক্কিদা লম্বা লৈরমদবা ভারত হোক্কিনি হায়রবদি ইকাই ফীরুক খুম্বা মতম ওইরকখি। অঙকপনি মীশিং য়ামখ্রবা ভারত অসি শান্নবগী লমদদি অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মমাংদা য়াম্না হেন্না ইকাইনিঙাই ওইরি। ভারত শান্নবগী লমদা কদাইদনো অমদি শোয়রি। ফার্ষ্ট, সেকেন্দ অমসুং থার্দ তানবা হোৎনরকপদা ভারতনা অনিশুবা ওইনা ১৯৮২এসিয়ান গেমস য়ুম্বু ওইদুনা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা ভারত শান্নবগী লমদা মীৎ মায় খর পাঙবগুম তৌদুনা মায় ওনশিনবা হৌরকখি। ১৯৮২, এসিয়ান গেমস অসিদা ভারত সনাগী মেদল ১৩, লুপাগী ১৯, শেঞ্জেংগী ২৫ পুন্না মেদল ৫৭ ফংদুনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি। এসিয়াগী লৈবাক চাইনা , জপান, সাউথ কোরিয়া, নোর্থ কোরিয়া এসিয়ান গেমস হৌদোকখিবা চহী ৩০গী মতুংদসু দেমিনেট তৌবা ঙমদে। অহোইনদুম হায়রিবা লৈবাকশিং অসিনা ওলিম্পিক গেমসতা মশক থোক্না মায় পাক্না শরুক য়াবা ঙমদুনা লাক্লি। ২০১৬, রিও ওলিম্পিক গেমসতা য়ু এসনা অহানবা তারগা গ্রেট বৃটেনগী মথংদা চিনানা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখিবসিমক চিনাগী মায় পাকপা হায়বদুনি। পৃথিবীগী ওইনা শান্নবগী লমজেলসিদা অঙকপনি ভারত, শান্নরোই ১১৭না মশান্না ১৫দা শরুক য়াবদা শুপ্নতগী লুপাগী ১, শেঞ্জেংগী ১ ফংদুনা ৬৭শুবা পোজিসন তাদুনা হল্লকখিবা হায়বসি ১৯২০ ওলিম্পিক গেমসতগী চিংখদনা শরুক য়াবা হৌরকখিবা ভারতনা শান্নবদা হোৎনরিবা লাওরিবা খোঙলিবা অসি কদায়দা হোৎনরিবনো হংনিঙাই ওইবা ৱাহংনি। অদুগা অমুক্কসু ১৯৫১দা এসিয়ান গেমস হৌদোক্তুনা ঙসি ফাওবা লেপ্তনা শরুক য়ারক্তুনা হোৎনরি হায়দুনা চাউখ্রবা লৈবাকসিনা মতম মতমগী মখৌ পোংনা লাওদুনসু উপাই লৈতে হায়বদুনি, শাংখ্রবা এসিয়ান গেমসকি লম্বীসিদা ঙসিসু ২০১৮ এসিয়ান গেমস ইন্দোনেসিয়াগী জাকার্টা অমসুং পালেমবাংদা পাঙথোক্লিবা অসিদা য়ুমশকৈশ নুমিৎ অসি ফাওবদা চিনানা সনাগী মেদল ১০২, জাপাননা ৫২ ফংখ্রবা মতম অসিদা ভারতনা শুপ্নতগী সনাগী মেদল ১১ ফংদুনা নিপানশুবা মফমদা লৈবা হায়বসিনা তাকপদি ভারততা মীথোই মীহেনবা ঙম্বা শান্নরোই পোক্ত্রৱা নত্রগা শান্নবদা পৈশা থাদবা ৱাৎতুনা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমদব্রা হায়বসি চাউরবা ৱাহং অমা ওইনা মাঙদা তারি। এসিয়ান গেমসতা মেদল ফংলে হায়রিবা রেকোর্দ অসিনা ওলিম্পিক গেমসতা মেদল ফংবা য়াবগী আশা নেল্লি হায়বসিগা লোয়ননা য়েংসি ভারতনা ২০২০, টোকিয়ো ওলিম্পিক গেমসতা খেল্লো ইন্দিয়ানা লাখোংমে এক হায়দুনা মেদল পুরকপা ঙম্বা শান্নরোই কয়াম পুথোকপা ঙম্বগে হায়বদুসু।

## মারিয়া সরাপোভা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররসু অহুমশুবা রাউন্দগীদমক শেম শাখ্রে



*নিউ য়োর্ক, ওগষ্ট ৩১ঃ*

রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভা অমসুং স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর য়ু এস কি সিটি নিউ য়োর্কতা চথরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নমেন্টকী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

মারিয়া সরাপোভানা রোমানিয়াগী সোরানা কির্ষ্টিবু নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৬–২, ৭–৫ দা থোইখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচশিংদা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা স্বিদেনগী জোহানা লারসনবু ৬–২, ৫–৭, ৬–৪ দা, জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা চাইনাগী ৱাং য়াফানবু ৭–৫, ৬–৩ দা, য়ুক্রেনগী লেসিয়া সুরেনকোনা দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকীবু ৬–৪, ৬–২ দা, বেলারসকী আলিয়াকসান্দ্রা সাসনোভিসনা রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনাবু ৬–২, ৭–৬(৭–৩) দা অমসুং ফ্রান্সকী কেরোলিনা গার্সিয়ানা প্যুটো রিকোগী মোনিকা প্যুগপু ৬–২, ১–৬, ৬–৪ দা থোইরমখি।

য়ুএসএগী মেদিসন কিজনা লৈবাক অদুগী অতোপ্পা শান্নরোই বর্নার্দা পেরাবু ৬–৪, ৬–১ দা থোইখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ফ্রান্সকী বেনোইট পাইরেবু ৭–৫, ৬–৪, ৬–৪ দা থোইখি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা য়ুএসএগী টেনিস সেন্দগ্রেনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরকখিবা মেটচতা ৬–১, ৬–৩, ৬–৭(২–৭), ৬–২দা থোইখি।

জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভকা ফ্রান্সকী নিকোলাস মাহুটকা শান্নখিবা নুপাগী অতোপ্পা সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মন শান্নরোই আলেকজেন্দরনা নিকোলাসপু ৬–৪, ৬–৪, ৬–২ দা থোইখি।

জপানগী কৈ নিসিকোরি অমসুং ফ্রান্সকী গেল মোলফিন্সনা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নিসিকোরিনা অহানবা সেট ৬–২ দা থোইখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা সেট শান্নরকপদসু কৈ নিসিকোরিনা সেট অদু ৫–৪ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈদা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলস শোকপনা মরম ওইরগা মখা তানা শান্নবা ঙমদবদগী নিসিকোরিনা মেটচ অদু মায় পাকহৌখি।

গ্রান্দষ্টেন্দদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী লুকাস পোলিনা সাইপ্রসকী মার্কোস বাগদাটিসকা অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং লুকাসনা মেটচ অদু ৬–৭(৪–৭), ৬–৪, ৬–৪, ৬–৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

## পোর্টুগালগী পাওলো মচাদো মুম্বাই সিটি এফসিদা সাইন তৌখ্রে

*মুম্বাই, ওগষ্ট ৩১ঃ*

পোর্টুগিষ্টকী ইন্টরনেসনেল ফুটবোল্লর পাওলো মচাদো মুম্বাই সিটি এফসিদা চহী অমগী কোন্ট্রেক্ত সাইন তৌদুনা ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আইএসএল) ইং ২০১৮ / ১৯ সিজনদা শান্নরগনি।

এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ইন্টরনেসনেল ফুটবোল্লর পাওলো মচাদো য়ুরোপকী মশক নাইরবা কম্পিটিসনশিংদা শান্নখ্রে। মশাগী চহী ৩২ শুরবা ফুটবোল্লর অসিনা মুম্বাই সিটি এফসিদা য়াওরকপা অসি মহাক্না পোর্টুগালগী ক্লব সিদি এভসতা নীংথিনা শান্নদুনা টা দি পোর্টুগালকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা মতুংদনি।

মচাদোনা মহাক্কী লৈবাক পোর্টুগালগী অন্দর ১৭ টিমদা শান্নরিঙৈদা ইং ২০০৩ দা পাঙথোকখিবা য়ুইএফএ অন্দর সেভেন্টিন য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্সিপকী টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

মসিদা নত্তনা মহাক্না পোর্টুগালগীদমক য়ু–২০, য়ু–২১ অমসুং য়ু–২৩ দা থাক্তা কয়ারক রিপ্রজেন্ট তৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই মচাদো অসি মুম্বাই সিটি এফসিদা সাইন তৌবা মপান লৈবাক্কী ৫শুবা শান্নরোইনি। হৌজিক–হৌজিক মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিং থাইলেন্দদা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মাঙওইননা ত্রেনিং তৌদুনা লৈরিবনি। মখোয়না মফম অদুদা মেটচ ৪ শান্নরবা য়ানা লৈরি।

পাওলো মচাদোনা মুম্বাই এফসিদা সাইন তৌরকপা অসিদা ক্লব অসিগী হেদ কোচ জোস কোষ্টানা টিম অসি হেন্না ফজহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।


### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 346/SDC/B/IE of 2018

1. Konsam Jotin Singh S/o (L) Kunjabihari Singh of Uchekon
2. -do- Sanjoy Singh S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Abungcha Singh S/o (L) -do-
4. -do- Nganthoi Singh S/o (L) Mera Singh of -do-
5. -do- Raju Singh S/o (L) -do- of -do-
6. -do- Roben Singh S/o (L) -do- of -do-
7. -do- Binoy Singh S/o (L) -do- of -do-

Petitioners

-Vs-

Konsam Mera Singh
S/o Mukho Singh of Uchekon

Pattadar

**NOTICE**

Bashikhong, the 31st August, 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৩৪– উচেকোন পট্টা নং ৪৭ অনৌবা দাগ নং ১৩৭ মোট এরিয়া ০.৩৬০০ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার কোনসম মেরা সিংহ পীং মুখো সিংহ সাং উচেকোনদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোংখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

SL/Bill(R)/01



### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 345/SDC/B/IE of 2018

Phijam Ongbi Pishak Devi
W/o (L) Ph. Achouba Singh of
Khongman

Petitioner

-Vs-

Phijam Achouba Singh
S/o (L) Kanhai Singh Parkhe Sapam (N) Laishram (o)
Ato Devi of Khongman

Pattadar

**NOTICE**

Bashikhong, the 31st August, 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৫১– খোঙমন পট্টা নং ২৯১/ ৩৮৬ অনৌবা দাগ নং ৫৬/ ৫১৩ মোট এরিয়া ০.০৫৭৬৮ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার ফীজম অচৌবা সিংহ পীং মৃঃ কনহাই সিংহ পারখে সাপম (নি) লাইশ্রম (ও) অতো দেবী সাং খোংমনদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোংখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

SL/Bill(R)/01



### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
Sagolmang, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 547/SDC/SLG/IE of 2018
Dated 31/08/2018

1. Khelsoreng Maite
S/o Late Sekril Maite
of Koireng Colony, Thangmeiband

Petitioners

-Vs-

1. Late Sakril Koireng
S/o (L) Khupchong
of Sadu Koireng

Opposite Party.

**NOTICE**

Sagolmang, the 31st August, 2018

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং 8 K-Sadu Koireng পট্টা নং 35 (অরিবা) 68 (অনৌবা) দাগ নং 2107, 2169 মোট এরিয়া 1.70 + 1.92 = 3.62 acres চাওবা Ingkhol & Phourel লৌফমগী পট্টাদার মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি /objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টগী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Sagolmang, Imphal East

SL/3963/01B